# রেজিমেন্ট থাক্কী বাইওলোজিকেল খুৎলায় য়ুনিট অমা পিয়োংয়াংনা ওপরেট তৌরি : সিওল



সিওল, ফেব্রুৱারী ২৭ :
রেজিমেন্ট থাক্কী বাইওলোজিকেল খুৎলায়গী য়ুনিট অমা পিয়োংয়াংনা ওপরেট তৌরি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না সাউথ কোরিয়ন মিলিটরিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনল দিফেন্স পল্লদুনা হায়খি, নোর্থ কোরিয়ানা কেমিকেল অমসুং বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিংগী প্রদক্সন ফেসিলিটিশিং ওপরেট তৌরি অমসুং এটেক অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা লৈবাক অসিগী মচাক-মথুমগী ষ্টোকপাইল অমা লৈ।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা বাইওকেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা কায়হৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফীভম লৈবনা সিওলনা দিটেক্সন কেপেবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি।

সিওল, য়ু এস অমসুং জপানগী ন্যুক্লিয়রগা মরী লৈনবা পাউখোল্লোয়শিংনা ৱাশিংটনদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উনবা মতমদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী নোর্থ কোরিয়াগী বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিংগী মায়োক্তা ৱাকৎনবসু লেপ্লে হায়রি।

সিওলনা ৱারেপ অদু নোর্থ কোরিয়াগী হান্নগী লীদরগী মচানুপা অহল কিম জোং-নামবু থা অসিগী ১৩ দা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টতা এসিয়ন নুপী অনীনা হু থাবদগী শিখিবা মতুংদা লৌরকখিবনি।

মালেসিয়াগী পুলিসনা দিপ্লোমেট অমা য়াওনা নোর্থ কোরিয়া মচা নিপান মীশিদুগা মরী লৈননা সসপেক্টশিং ওইনা মমিংশিং লাউথোকখি। নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগীদি মালেসিয়ন পুলিসনা হায়রিবদু য়াদ্রি।

নোর্থ কোরিয়াগী দিটেক্টর কিম জোং-উনগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বা কিম জোং-নাম ভি এক্স নার্ভ এজেন্ট অমা শিজিন্নদুনা হাৎখি। ভি এক্স অসি য়ু এননা পাক শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায় অমনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কেমিকেল ৱেপন্স কনভেন্সন (দি দব্লিয়ু সি) গী মখাদা মসিবু শিজিন্নবা থিংই। নোর্থ কোরিয়াদি সি দব্লিয়ু সিদা সিগনেটরি অমা ওইদে হায়রি।

# টালিবানগী সিনিয়র কম্মান্দর অমা দ্রোন এটেক্তা শিখ্রে



পেশৱার, ফেব্রুৱারী ২৭ :
মমাঙদা কয়ারক হন্না শিরে হায়না লাউথোকখ্রবা সিনিয়র টালিবান কম্মান্দর অমা অফঘানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা শিখ্রে হায়রি। মহাক্না এয়র ষ্ট্রাইক্তা শিখিবদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী ওফিসলশিংনসু কনফার্ম তৌখ্রে।

কুন্দুজদা টালিবানগী ফোর্সশিংবু কম্মান্দ তৌখিবা মুলাহ অব্দুল সালাম অখুন্দ কৌবা টালিবানগী সিনিয়র কম্মান্দর অদু হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা অনমেন এয়রক্রাফট অমনা নোংথক্তগী চথখিবা ষ্ট্রাইক অমদা শিখিবা ফাইটর অহুমগী মনুংদা অমনি হায়না প্রোভিন্স অদুদা লৈবা টালিবানগী সিনিয়র ওফিসল অমনা মশাগী সেফটিগীদমক্তা মহাক্কী মশক মমিং ফোঙদোক্তবগী ফীভমদা হায়খি।

‘নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক জর্নি অমা চৎখি অমসুং দাষ্টে অর্চি টাউনদা লৈবা য়ুম অমদা পল্লিঙৈদা দ্রোনদুনা মিসাইলশিং কাপশিনখি’ হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহলাহ মুজাহিদকী ৱারোল অমনা অখুন্দনা শিবগী পাউদু কনফার্ম তৌখি। য়ু এস মিলিটরিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, অমেরিকান ৱার প্লেন অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা কুন্দুজদা ষ্ট্রাইক অমা চথখি তৌইগুম্বসুং মদুগী রিজল্টশিংগী মতাংদা কনফার্মেসনদি ফংখিদে।

**FORM - IV**
(See Rule - 8)

Statement about ownership and other particulars about newspaper **HUEIYEN LANPAO.**

| | | |
|---|---|---|
| Place of Publication | - | Imphal |
| Language in which to be printed | - | Manipuri |
| RNI No. | - | 40746/1978 |
| Periodicity of its publication | - | Daily Morning |
| Printer's Name | - | Soubam Niladhaja Singh |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Sega Road Konjeng Hazari Leikai P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur |
| Publisher's Name | - | Soubam Niladhaja Singh |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Sega Road Konjeng Hazari Leikai P.O. & P.S. Imphal, District Imphal West, Manipur |
| Editor's Name | - | Hemantakumar Ningomba |
| Nationality | - | Indian |
| Address | - | Khongman Okram Chuthek, P.O. Singjamei, P.S. Irilbung, Imphal East, Manipur |
| Name and Addresses of individuals who own the newspaper and partners or shareholders holding more than one percent of the total capital. | - | Individual |

I, Soubam Niladhaja Singh, hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Imphal,
Date 27/02/2017

(SOUBAM NILADHAJA SINGH)
Publisher
HUEIYEN LANPAO

# দোনাল্ড ত্রম্পকী নেভি সেক্রেটরিগী নোমিনি ফিলিপ বিল্ডেন ৱিঠদ্রো তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ২৭ :
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী নেভি সেক্রেটরি ওইনবা নোমিনেট তৌখিবা ফিলিপ বিল্ডেন মহাক্কী ফাইনান্সিয়ল ইন্টরেষ্টশিংদা অকায়বা খরা লাক্লে হায়রদুনা ৱিঠদ্রো তৌখ্রে হায়না পেন্টাগোন্না ফোঙদোকখ্রে।

‘ফিলিপ বিল্ডেননা ঐঙোন্দা মহাকপু নেভিগী সেক্রেটরি ওইহন্নবা খন্নরিবদুদগী ৱিঠদ্রো তৌনবগী অরুবা ৱারেপ অমা তঙাই ফদনা লৌরে হায়না খঙহল্লক্লে’ হায়না য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি জিম মাটিসকী ৱারোল অমনা হায়খি। বিল্ডেননা মঙোন্দা মহাকপু নেভি সেক্রেটরিগী নোমিনি ওইরিবদু ৱিঠদ্রো তৌজরগে হায়না হায়জবা অমা খন্নবীনবা ইরকখিবা মতুংদা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

‘মসি প্রাইভেসিগী ৱাফম খরদগী অমসুং মহাক্না মহাক্কী বিজনেস ইন্টরেষ্টশিং থাদোকপা মতমদা অচৌবা চেল্লেঞ্জ কয়া মায়োক্নবগী ফীভম লাক্পদগী মরন্নাই লৌজখিবা ৱারেপ অমনি।’

‘মহাক্কী ৱারেপ অসিদা ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা পোকচরবসু ঐহাক্না মহাক্কী ৱারেপ্তু খঙই অমসুং ঈকায় খুম্নৈ লোয়ননা ঐখোয়গী লৈবাকপু মহাক্না মখা তানা অতৈ লম্বীশিংদা সপোর্ট তৌখিগনি হায়বসি ঐহাক্না খঙই’ হায়না মাটিসনা হায়খি।

প্রসিদেন্টনা ঐখোয়গী মিলিটরিবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা পাল্লিবসি ঐখোয়না থবক ওইনা পাঙথোক্লবা





হোৎনবসিদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ত্রম্পতা ঐখোয়গী নেভি অমসুং মরিন কোর টিমবু গাইদ তৌবা ঙম্বা লীদর অমা খন্নবা রিকম্মেন্দ তৌরগনি হায়না মাটিসনা হৌখিবা নুমিদাং অথেংবদা ফোঙদোকখি।

মাটিসকী ৱারোলদুদা অসুম্না পনখি মদুদি, প্রসিদেন্টগী এজেন্দা ওইনা দিফেন্স সেক্রেটরিগী লীচিং মখাদা য়ু এস নেভি অমসুং মরিন কোরবু মোর্দনাইজ তৌবা অমসুং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী ৱাফম মহাক্না মপুং ফানা শৌগৎলি।

‘দিপার্টমেন্ট ওফ নেভিগী মপানদা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলকপা খোঙথাং খুদিংমক মহাক্না মখা তানা শৌগৎখিগনি। অদুম ওইনমক, পাক শন্না রিভিয়ুগী প্রোসেস অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ঐহাক্না ইমুংগী প্রাইভেট ফাইনান্সিয়ল ইন্টরেষ্টশিংদা শোক্তনবা হোৎনবদা গভর্ণমেন্ট ইঠিক্সকী ওফিসকী তঙাই ফদবশিং ঙাকপা ঙম্লক্লোই হায়বসি খঙলকপদগী য়াম্না নুংঙাইতনিঙাই ওইরবা ৱারেপসি লৌরকপনি’ হায়না বিল্ডেননা হায়খি।

বিল্ডেননা হায়খি, ত্রম্পনা মহাকপু ‘ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টশিংবু মনুং অমসুং মপানদা দিফেন্দ তৌরিবা’ অমেরিকাগী কখোল্লবা অমসুং মতীক ময়াই চেল্লবা সেলরশিং অমসুং মরিনশিংবু লিদ তৌহন্নবা খন্নবীবসিনা মহাকপু থাক ৱাংনা ঈকায় খুম্নবীরে।

পনবা য়াবদি, ত্রম্পকী আর্মি সেক্রেটরিগী নোমিনি ভিনসেন্ট ভিওলা অমসুং লেবর সেক্রেটরিগী নোমিনি অন্দি পুজদরসু মখোয়বু পোজিসনশিংদুগীদমক খন্নরিবদুদগী ৱিঠদ্রো তৌখ্রবনি।

# চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিচি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎলগনি

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৭ :
চাইনাগী টোপ দিপ্লোমেট য়াং জিচি চয়োল অসিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎলগনি অমসুং মহাক দোনাল্ড ত্রম্পনা মীখলদা মায় পাকখিবদগী য়ু এসতা ওফিসল খোঙচৎ চৎপা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসল ওইরগনি।

ষ্টেট কাউন্সিল্লর য়াং জিচিনা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অমেরিকাগী সিনিয়র ওফিসলশিংগা উনরগনি অমসুং বাইলেটরেল মরীশিং অমসুং নাকল অনীমক্না লুনা লৌনবা ৱাফমশিং খন্নগনি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা লাউথোকখ্রে।

বৈজিংনা নোর্থ কোরিয়া হেন্দল তৌবগী মওং অমসুং চাইনাগী ত্রেদ পোলিসীশিংবু ত্রম্পনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবদগী অমসুং মতম শাংনা ৱাশিংটন্না ঙাক্তুনা লাক্লবা ৱান চাইনা পোলিসীদা মহাক্না ক্বেইসন তৌখিবদগী য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরী ফীভম শোক্লকখি।

ত্রম্পনা ওফিস পায়খিবদগী য়ু এসতা খোঙচৎ অমা চৎপা অহানবা সিনিয়র চাইনিজ ওফিসল অদু য়াংনা ওইরগনি হায়বসি ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা কনফার্ম তৌখ্রে।

খোঙচৎ অদুগী এজেন্দাগী খ্বাইদগী মকোক্তা ত্রম্প অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী মীফম শিল-লাংবনা ওইরি হায়না চাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজগী রিছার্চর অমনা



সিনহুৱাদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লুচিংবা অনীনা করম্বা মতমদা উনগদগে হায়বদু চপ চানা খঙদ্রি হায়না চাইনিজ একাদেমী ওফ সোসল সাইন্সেস (সি এ এস এস) কী সাইনো য়ু এস মরীগী এক্সপার্ট টাও ৱেনজাওনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অনীনা অহানবদা য়ানদনা লৈবা ৱাফম খরা লৈখায় তাথোকমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ। ‘খোঙচৎ অসিদা নাকল অনীনা মখোয়গী কম্ম্যুনিকেসন খুমাঙ চাউশিনহন্নবা হোৎনগদবনি’ হায়না জিচিনা এ এফ পিদা হায়খি।

মখোয়না মালেমগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পাক শন্না খন্ন-নৈনগনি অমসুং কন্সেন্সস অমা পুরক্লগনি। মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অনীগী লীদরশিংনা উনবা য়াই হায়রি।

টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা তৌরকখিবা ফোন কোল অমা ত্রম্পনা রিসিভ তৌদুনা ৱারী শান্নখিবনা চাইনাবু খোয়রাং খোয়শাওহনখিবদগী লৈবাক অনীগী মরী ফীভম শোকখিবনি।

ত্রম্পনা চাইনানা য়ু এসকী ফেভরদা ত্রেদ টার্ম খরা নিগোসিয়েট তৌবগী ৱাফম য়াদ্রবদি মহাক্না টাইৱানগী সোভরনিটি রিকগনাইজ তৌবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লবদগীসু বৈজিংগী অশাউবা হেনগৎখি। ত্রম্পকী ৱাঙাঙশিংদা শোয়খিবা কয়া য়াওববু শেংদোক্লবা হোৎনরদুনা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ৱেক্স টিল্লরসন্না থা অসিগী অঙনবদা জর্মনিদা পাঙথোকখিবা জি-২০ ফোরন মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িগা উনদুনা ৱারী শানখি। উনবদুদা টিল্লরসন্না বৈজিংদা নোর্থ কোরিয়াবু কন্ট্রোল তৌনবসু তকশিনখি।

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/**EMPLOYMENT NEWS**

**ISRO Recruitment – 87 Scientist/Engineer Vacancy – Last Date 07 March 2017**

Indian Institute of Remote Sensing (IIRS) invites application for the post of 87 Scientist/Engineer SC. Apply Online before 07 March 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : ISRO HQ: ICRB: 01:2017

**ISRO Job Details :**

Post Name : Scientist/Engineer SC
No of Vacancy : 87 Posts
**Discipline wise vacancies :**
Electronics : 42 posts
Mechanical : 36 posts
Computer Science : 09 posts

**Eligibility Criteria for ISRO Recruitment :**

**Educational Qualification :** BE/B.Tech or equivalent qualification in first class with an aggregate minimum of 65% marks or CGPA 6.84/10.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 35 years as on 07.03.2017.

**Job Location : Karnataka**

**Selection Process :** Selection will be based on Written test & Interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through online' using Internet Banking/Debit Card or 'Offline' by visiting nearest SBI Branch .
**How to Apply ISRO Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.isro.gov.in from 15.02.2017 to 07.03.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 15.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 07.03.2017
Last Date for Submission of Application Fee : 08.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://isro.gov.in/sites/default/files/bilingual_advertisement_for_recruitment_of_scientist_engineer_sc-2017.pdf
**Apply Online :** http://isro.gov.in/careers

**Reserve Bank of India – RBI Recruitment – 19 Manager & Assistant Manager Vacancies – Last Date 16 March**

**RBI Recruitment 2017**
Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 19 Manager & Assistant Manager. Apply Online before 16 March 2017.

Advt No. : 4/2016-17

**Job Details :**
Post Name : Manager (Civil) in Grade B
No. of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Rajbhasha) in Grade A
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Assistant Manager (Secuirty) in Grade A
No. of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**
Educational Qualification : Details of Eduaction qualification available on 01.03.2017 at Official website.
Nationality : Indian
Age Limit : As per RBI Rules

**Job Location : All India**

**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rbi.org.in form 01.03.2017 to 16.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 16.03.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement Link : http://www.sarkarinaukrisarch.in/wp-content/uploads/2017/01/rbi.pdf

# পাকিষ্টানদা মীরৈবাক মচা কয়া য়াওনা টেরর সসপেক্ট ৩৫০ ফাগৎখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৭ :
টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা লৈবাক শিন-থুংনা পরিং নাইনা চথরকখিবা থিবা-হুম্বগী ওপরেসনশিংদা অফঘান অমসুং উজবেক নেসনলশিং য়াওনা চিংনবা মীওই ৩৫০ হেন্না ফারে অমসুং মখোয়দগী খুৎলায় অমসুং দ্রগশিং ফাগৎলে হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈৱাং কনবা নোর্থ ৱাজিরিষ্টানদগী খুৎশু-খুৎলায় কয়া ফাগৎলে অমসুং ক্বেটাদা টেররগী এটেক অমা মায় পাকহনখিদ্রে হায়না লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা ক্লেম তৌখ্রে।

থাংজগী অহিং অমসুং ঙরাং লৈবাক শিন-থুংনা পাঙথোকখিবা থিবা-হুম্বগী ওপরেসনশিংদা এজেন্সিশিংনা অফঘান অমসুং উজবেক নেসনলশিং য়াওনা সসপেক্ট ৩৫০ হেন্না ফাখ্রে হায়না ন্যুজ ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখি। মখোয়না য়াল্লবা খুৎলায় অমসুং দ্রগশিংসু সসপেক্টশিংদগী ফাগৎখি।

নোর্থ ৱাজিরিষ্টানগী দাটাখেলগী মনুং চনবা শিরানি ভিলেজদগী অচৌবা খুৎলায় মপৈ অমা ফাগৎলে হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

লো ইনফোর্সরশিংনা গুলবর্গ অমসুং পেশৱারগী অতৈ এরিয়াশিংদা রেইদ চথবদা সসপেক্ট ৩০ হেন্না ফাখি অমসুং মখোয়দগী খুৎলায় অমসুং দ্রগ ময়ামসু ফাগৎখি। বান্নুদনা মীওই ৭৫ দিটেন তৌখি।

সিন্দ প্রোভিন্সকী কাশমোরেসীগী মনুং চনবা করম্পুর অমসুং জামল ঘুসপুর এরিয়াশিংদগী ফাখিবা মীওই ২০ গী মনুংদা অফঘান নেসনল তরুক লোম য়াওখি। অসুম্না, রেঞ্জরশিং অমসুং অতৈ লো ইনফোর্মরশিংনা করাচিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী অফঘান নেসনলশিং য়াওনা মীওই ১৬০ হেন্না ফাগৎখি।

বাহাৱালপুরদা উজবেকশিং অমসুং অফঘানশিং য়াওনা সসপেক্ট ২২ ফাগৎখি। ঈৱাং লৈবা বেলোচিষ্টানগী কেপিটেল সিটি ক্বেটাদা অরবব করম খান রোডতা প্লান্ট তৌরম্বা বোম অমা লৌখৎতুনা অচৌবা টেরর এটেক অমা অরেম্বা তাহনখ্রে হায়নসু পুলিসনা ক্লেম তৌখি। বোম অদু পুলিসকী বোম দিজপোজেল স্কৱাদনা দিফ্যুজ তৌখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা বোম এটেক চথরম্বা মীওই অমা নোংমৈ কাপ্নবদা ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা হাৎখ্রে

বান্দুং, ফেব্রুৱারী ২৭ :
গভর্ণমেন্ট ওফিস অমদা ঙসি নোংমৈ কাপ্নবদা আই এসকা মরী লৈনবনি চিংনবা এটেক্কর অমা ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। বিল্ডিংদুগী মনাক্তা লৈবা পব্লিক পার্ক অমদা বোম মচা অমা পোকখায়হনখিবা মতুংদা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তু থোকখিবনি।

ৱিটনেসশিংনা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক্তুবু পাউদল্লদুনা হায়খি মদুদি, এটেক্কর অদুনা থাংশাং অমা পায়রগা বিল্ডিংদুদা চঙশিনখি অমসুং ষ্টাফতা লাউবা অমসুং নোংমৈ কাপ্পা হৌখি। টিভি ফুটেজনা খুৎলায় মতীক চানা পায়রবা পুলিস কাঙবুশিংনা মৈখুগী মপৈ মরক্তা ওফিসতুদা নোংমৈ কাপশিনবগী শক্তমশিং উৎখি।

তৌইগুম্বসুং জভা ঈথৎকী মরু ওইবা সিটি বান্দুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা এটেক্করদু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মীওই অমত্তা



শোকখিদে অমসুং পুলিসনা থৌদোক অদু টেররিষ্ট নেটৱার্ক অমগা মরী লৈনৈ হায়খি।

মদু মালেমগী মুস্লিমনা মশিং য়াম্বা লৈবাক্তদা চথবা খ্বাইধগী নৌবা এটেকনি। লৈবাক অসিদা হন্দক আই এস আই এসকা মরী লৈনবা এটেকশিং অমসুং প্লোটশিং হেনগৎলকখি।

প্রেসর কুকর অমদা শাবা বোম অমা অয়ুক পুং ৮.৩০ (লোকেল মতম) তাবদা পোকখায়হল্লবা মতুংদা এটেক্করদু লোকেল ওথোরিটিশিংগী ওফিস ওইবা বিল্ডিং অদুদা চেনশিনখি হায়না ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি।

পুংমুক চুপ্পা মুক্নখিবদুদা পুলিসনা বিল্ডিং মনুংদুদা লৈরিবা মীওইদুগা নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং বিল্ডিংদুগী শরুক খরা মৈ চাকখি। নোংমৈ কাপ্ন রিঙৈ মনুংদা এটেক্কর অদুনা ওফিসরশিং তম্না অনীশুবা বোম অমসু লংশিনখি। মমৈথংদা পুলিসনা কাপ্নদুদা এটেক্করদু থজিনদা পানখি অমসুং মহাক তুংদা হোস্পিটালদা শিখি।

লেকেল পুলিস চীফ এন্টন চার্লিয়ননা হায়খি, থৌদোক অদুদা কনামত্তা অশোক-অপন নংখিদে মরমদি মীপুম খুদিংমক মফমদুদগী অশোয়-অঙাম য়াওদনা শাফদবা মফমদা পুথোকখি। পুলিসনা নোংমৈশিং অমসুং এটেক্করদুনা পুবা বেকপেক অনী লৌখৎখি তৌইগুম্বসুং বেকপেকশিংদুদা করি করি য়াওবগে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

